# MANIPURI

## Paper II

## ( LITERATURE )

| Time allowed : **Three** Hours | Maximum Marks : **250** |
|---|---|

### Question Paper Specific Instructions

***Please read each of the following instructions carefully before attempting questions :***

*There are* ***EIGHT*** *questions divided in two* ***SECTIONS****.*

*Candidate has to attempt* ***FIVE*** *questions in all.*

*Questions no.* ***1*** *and* ***5*** *are compulsory and out of the remaining,* ***THREE*** *are to be attempted choosing at least* ***ONE*** *from each section.*

*The number of marks carried by a question / part is indicated against it.*

*Answers must be written in* ***MANIPURI****.*

*Word limit in questions, wherever specified, should be adhered to.*

*Attempts of questions shall be counted in chronological order. Unless struck off, attempt of a question shall be counted even if attempted partly. Any page or portion of the page left blank in the answer book must be clearly struck off.*

## SECTION A

**Q1.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 130 দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু : *10×5=50*

(a) খ্বাই নোংজেং পিবানা তাউ হুইরেং অহনববু করিগীদমক তেন্না কাপখিবনো ? মরম পীদুনা ইয়ু । *10*

(b) লৈমা ভানুনা থেংনখিবা অৱাবশিং করম্না কোকখিবগে ? শন্দোক্না তাকউ। *10*

(c) থৱান থাবগী চরিত্রদা অচুম চুমদ বিচারগী পুক্নিং লৌশিংগী মরমদা করি উবা ফংবগে ? নৈনৌ । *10*

(d) চন্দ্রকীর্ত্তিনা জিলা চঙ-বগী খোঙ-চৎতা মাইবমচা তাম্র সিংহনা পাঙ থেকখিবা মরু ওইবা থৌনা ফবগী থবকশিংদু করি করিনো ? মপুং ফানা ইয়ু । *10*

(e) 'রামায়ণ আদি কাণ্ড' গী লোন অমসুং খুৎইগী মরমদা নৈনৌ । *10*

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 350 দগী হেন্দনা পাউখুম পীয়ু :

**Q2.** (a) 'পান্থোইবী খোঙ্গুল' দা নোংপোক নিংথৌ অমসুং পান্থোইবীবু করম্না লাইনি হায়না লৌনরকখিবগে ? মরী লৈনবা থৌদোকশিং অদু মরিক চুম্না ইয়ু । *25*

(b) 'সমসোক ঙম্বা' কনানা ইবা করম্বা মখলগী লাইরিক্নো ? লাইরিক অসিদা শৈথারিবা নিংথৌ গরীবনিৱাজগী থোইদোক হেন্দোকপা মগুণশিং নৈনৌ । *10+15=25*

**Q3.** (a) "তাউজীং হৈনা থুংলবসুঙ নোইনু থুমনা ৱাৎপা, নোইনু থুমনা লৈরবসুঙ তাউজিং হৈনা ৱাৎপা" হায়রিবা ৱাক্‌মগী পাউরৌ অসি পীতঙ-ঙাগী পুন্সিনা খুদম ওইরগা ৱাহন্থোক পীদুনা নৈনৌ । *25*

(b) 'চন্দ্রকীর্ত্তি জিলা চঙব' দা মতম অদুগী লৈঙাক্লোন অমসুং চৎন-লোনচৎকী করম করম্বা শক্‌তমশিং উবা ফংবগে ? শন্দোক্না তাকউ । *10+15=25*

**Q4.** (a) 'থৱান থাবা হিৱান' দা শম্ফবী অমদি চীংখৈ থানবী অনীগী পুন্সিগী পোলোইনা মতম অদুগী লৈঙাক শাসন পেত্রিঅর্কিগী খম-থেংবা মশক্নি হায়বসি নৈনদুনা তাকউ । *25*

(b) 'ধনঞ্জয় লাইবু নীংব' দা ধনঞ্জয়গী পুন্সিনা মীওইবদা করি পাউজেল পীরিবগে ? লাইরিক অসিগী থৌদোক ৱাথোক্‌শিংদা য়ুম্ফম ওইরগা নৈনৌ । *25*

## SECTION B

**Q5.** মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 130 দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু : *10×5=50*

(a) শ্রীবীরেনগী 'চাফদ্রবা লাইগী য়েন' হায়বা শৈরেংগী ফোঙদোক্লিংলিবা ৱাফমশিং শন্দোক্লা তাকউ । *10*

(b) 'কংসবধ' কাব্যদা নারদ পুশিল্লকপগী মরম নৈনৌ । *10*

(c) পারি অমসুং চংনিং অনীগী চরিত্রনা 'লমন' দা উপন্যাসকারনা করি উৎননবা হোৎনবগে ? নৈনৌ । *10*

(d) 'কৈনা তোকপা পোকপা হৌনদে' হায়বসি সুমতিনা করম্না উৎখিবগে ? শন্দোক্লা তাকউ । *10*

(e) ফজবনা 'মীওইবগী থম্মোই শেংদোকই, তরু তরুহল্লি' হায়বা ৱারেংবগী ৱাফমশিং অসি নৈনদুনা তাকউ । *10*

মখাগী ৱাহংশিং অসি ৱাহৈ 350 দগী হেন্দনা পাউখুম ইয়ু :

**Q6.** (a) কম্বীথক্কী লেপ্লেগুম ওন্ন থোইনা থোইবীনা খাঙ লিবা করি মরমগীনো ? মরী লৈনবা থৌদোকশিং মরিক চুম্না ইয়ু । *25*

(b) 'ইম্ফাল অমসুং মাগী ঈশিং নুংশিৎকী ফীভম' গী অরোইবদা পাচানা থানিলবু অমম্বা মপৈ মপৈদুনা ইম্ফালগী ইশিং নুংশিৎকী ফীভমনি পাউদমহল্লিবগী মরমশিং নৈনদুনা তাকউ । *25*

**Q7.** (a) লাই হরাওবা করম্না হৌরকখি ? লাই হরাওবগী নোংমগী থৌরমশিংগী মরমদা শন্দোক্লা ইয়ু । *10+15=25*

(b) 'অরেপ্পা মরুপ' হায়বা দ্রাবাসিদা অইবনা কনাবু, কনাগী অরেপ্পা মরুপ ওইনা মতৌ করম্না উৎপগে ? মরিক চুম্না ইয়ু । *25*

**Q8.** (a) 'অনৌবা মৈতৈ ওইখরে

অনৌবা লৈবাক ওইখরে'

হায়রিবগী মরমশিং কবিগী খুৎই খুৎফোঙ-দোক্কা মরী লৈননা শন্দোক্লা তাকউ । *25*

(b) 'সমাজ অমসুং সংস্কৃতি' হায়বা ৱারেংদা অনী অসিগী মশক করম্না উৎপগে ? অনী অসিগী মরীগী মরমদা নৈনদুনা তাকউ । *15+10=25*